HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

নেসনল রিছর্স সেন্টর অমদি ওজা সনাজাওবা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শীন্দুনা এম য়ু ম্যেন গেট মনাক্তা লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরিগী হোলদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর রাজ মোহোনবু তরাম্না ওকখিবা

মীয়ামগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই : লাইতোঞ্জম জয়ানন্দ

☛ লামায় ২

হেল্থ সেন্টর শাবগী অয়াবা পীরক্নে

☛ লামায় ৩

লমদেংদা ইরাং থোকহনবিদনবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৫

থবক্তগী পোত্থরবা ওজা ৪বু ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

☛ লামায় ৬

কংলৈ শৈশকলোন শিন্দমশঙ, নোংমৈবুংনা শীন্দুনা মসিগী লোয়শঙদা নুমিৎ হুমনি চথগদবা মণিপুর ফোক ঈশৈগী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী মৈরা চুখৎখিবা

Vol. 45, Issue No. 168 | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, September 13, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

লমজাও তোম্বা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : মীয়াম্না লমজাও তোম্বা হায়রগা হেন্না খঙনবা তাঙলবা শৈশকপা মাইবম তোম্বা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি অচৌবা মপালদা লৈবা মশাগী য়ুমদা থা অসিগী ১০দা লৈখিদ্রে হায়না কংলৈ মশেক মঙাল কলচরেল ওর্গনাইজেসন, কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি অচৌবা মপালনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা শৈশকপা অসি কুমজা ১৯৪০গী নবেম্বর ৩দা ময়েংলমজাও মখা লৈকায়দা মাইবম গুলামজাৎ ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

স্কুল অমুক হিঙ্গৎহল্লু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা মতম অমদা লৈরম্বা অদুবু হৌজিক্লা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মুখৎখ্রবা মহৈলোয়শঙশিং অমুক হন্না হিঙ্গৎহল্লু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মুখৎখ্রবা স্কুলশিং অদুগী মনুংদা উরিপোককী তোন্দোসনা, বেঙ্গলি হায় স্কুল, তেরা বোইজ, রাজা দুম্ব্রা, তোম্বীস্না, কেবোল গর্লস হায় স্কুলনচিংবা য়াওরি হায়খি।

স্কুলশিং অসি অমুক হিঙ্গৎহল্লগদি হৌজিক ক্লাস ইলেভেনদা মীং চন্নবা হোৎনবদা থোরক্লিবা মীং চনফম লৈতবগী খুদোংচাদবা অসি কোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফোক ঈশৈ ফেষ্টিবেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী নোর্থ সেন্ত্রেল জোনেল কলচরেল সেন্টরগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈ শৈশকলোন শিন্দমশঙনা শীনবা নুমিৎ হুমনি চথগদবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর ফোক ঈশৈগী ফেষ্টিবেল নোংমৈবুংদা লৈবা শিন্দমশঙ অসিদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ম্যুজিক কোলেজ অমসুং এস এস বি দিগী হান্নগী প্রিন্সিপাল লাইময়ুম দেবেন্দ্রজিৎনা হায়, কংলৈ শৈশকলেন শিন্দমশঙনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অফবা খোঙথাং অমনি। ফোক অমদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৬২°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৪৫°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২০

HL Poll

Q: Election naksillakpagi onsinnaduna hunnabagi thoudok meeyamna yengningdre haibasi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Intending candidate singgi manungda karoi khangna meerep oirui haibagi khudongchaba lounaba thorakpasu yaoramgadra?

Yes 71% No 29%

অস! লোইরেহে!

- হায়, হুরানবা নঙসু ঐদৌনা ভোট লেপ্পীরি?



- হায়, নঙগীসু থোরা হুরানবকা লোইনা হায়দোরকঔরা।

বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি : ইরানি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : বি জে পিগী ৱার্করশিংনা পার্টি ওর্গনাইজেসনগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চত্তুনা মণিপুরদসু পার্টিঅসিবু হেন্না চাওখৎহনবগা লোয়ননা মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি হায়না ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পার্টি অসিগী ওফিসতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী ৱার্করশিংগা উন্নদুনা মথক্কী ৱাফম অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিগী ওইনদি পার্টি ওর্গনাইজেসনগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা পার্টি ৱার্করশিংনা ওর্গনাইজেসনগী চৎনা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎকদবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা পায়খৎলক্লি।

কোভিদ লায়না লাইচৎনা চৈথেং কয়া পীরক্লিঙৈ মনুংদা জিরো বেলেন্সতা বেঙ্ক একাউন্ট হাংখিবা নুপীশিংদা তেঙবাং ওইনা শেল কয়া হাপখ্রে। মসিগীসু মথক্তা মীয়ামদা চেঙ লেম্না থা কয়া ফংহন্দুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা পার্টি অসিগী ৱার্কর খুদিংমক্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সরদানা হায়খি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানি অসি লৈবাক অসিগী য়াইফ থৌরাংগী খন্নরকপা মতমদা দিসিজন মেকিং বোদিদা য়াওরিবী লুচিংবী অমনি। মহাক্না নুপী অঙাংশিংগী য়াইফননবা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। মহাক্না হৌখিবা লোক সভা মীখলদা রাহুল গান্ধীবু মায়থীবা পীখিবা অসি বি জে পিনা কোংগ্রেস পার্টিবু অচৌবা পারা অমা তন্বীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অভে গিরিসু শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর দি সী কমপ্লেক্সতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী পোসান সাইকল রেল্লি হৌদোকপগা লোয়ননা মশামকসু শরুক য়াখিবা

অমরোমদা, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবা রাষ্ট্রিয় পোসান মা, ২০২১গী থৌরমদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি জুবিন ইরানিনা অফবা, খুমাঙ চাওশিনবা, অকনবা খুন্নাই অমা শেম্বদা মশা-মঊ ফবা, মালনরিস ওইদবা নুপীশিং অমদি অঙাংশিং তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসি হৌদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মিরোল্লবী নুপীশিং অমদি পিক্লিবা অঙাংশিং মরু ওইনা চহী ২গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাদবা হায়বসি ইমুং অদু খক নৎত্রগা মখোয়বু লায়েংলিবা ডাক্তর অদুখক্কী মরী লৈনবা থবক নত্তে। রিসর্চ তৌরিবশিংগী মতুংইন্না মালনরিস ওইবা অঙাংশিংনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা লেবর নৎত্রগা প্রোফেসনেল ফোর্সতা কন্ত্রিব্যুট তৌবগী চাং অসি অঙাং ওইরিঙৈদা নিংথিজনা য়োকপী-থাকপীরকপা অঙাংশিংগা য়েংনরুবদা চাং য়াম্না হন্থে। মরম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তিঞ্জং কাইজংদবা অমসুং চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎকে হায়রবদি পিক্লিবা অঙাংশিং অমদি মীরোল্লবী নৎত্রগা অঙাংগী মবুক ইল্লিবী খোমজিংবী মমাশিংবু মচি ওইবা চিঞ্জাক পীদুনা মখোয়বু মশা-মঊ ফন্না থমগদবনি হায়বগী পান্দমদা পোসান অভিয়ান অসি...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

শোত্থরবা খুন্দ্রাকপম এ সীদা দিভেলপমেন্ট পুরক্নবা পোলিটিক্সতা চঙলকপনি : কলা

১- খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ০১-খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলা (৭০)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐথোয় পুন্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : মতম শাংনা দোক্তর অমা ওইনা অনা-লাইয়েংগী থবক তৌদুনা মীওইবা খুন্নাইগী থৌগল তৌদুনা লাকখি। মীওইবা খুন্নাইগী থৌগল তৌদুনা লাকপা অসিদা ইরমদম অসিগী লৈত-লায়রবা মীওই কয়াগী অৱাবা-নুংঙাইতবা থৌদোকশিং হকথেংননা থেংনদুনা অমদি উদুনা লাকখি। মদুনা অমুক্না হেন্না লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবা পাম্বনা দোক্তর অমা ওইবগী শিনফমগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক কয়াসু তৌদুনা হৌরকখি। খুন্দ্রাকপম এ সী অসি মতম শাংনদগী দিভেলপমেন্টগী লম্বীদা য়াম্না শোৎথনা লাক্লি। মরুওইনা এ সী অসিদা হেল্থ অমদি এদ্যুকেসন সেক্টরদা অদুক্কী মতিক শোৎথনা লৈরে। লোয়ননা রোদ ট্রান্সপোর্টকী ফীভম য়াম্না শাথিনা শোক্লে, অনইমপ্লোইমেন্টগী প্রোব্লেম য়াম্না চাওনা লৈরে অমদি থক্লুনবা অফবা ঈশিং ফংদবনা মীয়াম্না লৈদুনা থক্লরি। অতৈ অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না শোৎথনা লৈরে। অসিগুম্বা হীরম খুদিংদা শোৎথরবা এ সী অসিবু মতম শাংনা থেংনরকপা এক্সপরিএন্সশিংগী মতেং লৌদুনা চাওখৎপগী লম্বীদা পুরকপা ঙম্নবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা থবক তৌবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নুপীশিংগী সিট রিজার্ভ থম্মু

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিদা নুপীশিংগী সিট রিজার্ভ থম্মু হায়দুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী চহী ২৫ শুরকপগী নীংশিং থৌরম ঙসি ইরাবত ভবনদা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা ৱিমেন্স দিমান্দ দে হায়দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস সোরোজিনি অমদি ওল মণিপুর নুপী মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিতিবালানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়ায় তাংবল অমসুং ইকায়খুম্নরবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স থৌশিলগী মখাদা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিশিংদা নুপীশিংগী পোলিটিকেলগী হক ফংহন্নবা অমসুং লোকল বোদিশিংদা চাদা ৩৩গী চাংদা রিজার্ভ তৌদুনা থমগদবনি হায়খি।

হায়রিবা দিমান্দশিং অসি তাল্লদুনা চঙশিনবদগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱিমেন রিজার্ভেসন বিল পুথোরকখ্রবনি অদুবু মতম অদুগী কোংগ্রেসকী রুল অদুগী ৱাফম বি জে পিনা লৈঙাক পায়হৌদবা য়াদে হায়দুনা হোৎনরকখিবদগী বিল অদু মায় পাকপা ঙমখিদবনি। বিল অদু লোক সভানা পাস তৌরবা মতুংদা রাজ্য সভাদা অমুক হন্না পুথোক্কদবা বিলনি হায়খি।

ৱিলোং খুল্লেনদা য়োংচাক পাম্বী ৫০০ রোম তীলনা চাথোক্লম্লে

তীল অসিগী ফোটো আর এ আই আর, ন্যু দেল্লীগী লেপিদোপটরস ইন্সেক্ট টেক্সোনোমিষ্ট অমদা থাখ্রে



নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মরু ওইবা এঙ্খাং মথেলশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা লাক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা য়াওনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্লগদৌরিবা ফেষ্টিভ সিজনশিংগী মীয়াম্না পাম্নবা এঙ্খাং মথেল ওইনগদৌরিবা য়োংচাকশিং পানগদৌরিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ৱিলোং খুল্লেনদা হৌবা য়োংচাক পাম্বী ৫০০ হেন্না মশক খঙদবা তীল অমনা য়োমশিন্দুনা পাক্তক্লনা চাথোক্লম্বদগী কুমসি চহীগী ওইনা য়োংচাক্কী পোত্থোক হন্থরক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে।

ৱিল্লোং খুলেনদা হৌবা য়োংচাক পাম্বীশিংদা মায়োক্নরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ৱিল্লোং সব দিভিজনগী ব্লোক দিভেলপমেন্ট ওফিসরগী থৌসু পুরিবা সব দিভিজনেল ওফিসর নোংথোম্বম সুরননা পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক ৱিল্লোং খুলেনগী য়োংচাক পাম্বীশিংগী মরু ওইনা য়োংচাক পানগদৌরিবা মপালশিং (য়োংচাক কাকসি) অমসুং য়োংচাক পাম্বীশিংগী লৈবাক্না তাইনবা মখোঙগী মরাশিং য়াওনা পাম্বীশিং পাক্তক্লনা চাথোকপগী থৌদোকসি খুল অসিগী য়োংচাক পাম্বী ৫০০গী মথক্তা থোকপনি।

লাইবক ফবদি হায়রিবা য়োংচাক পাম্বীশিং চাথোক্তুনা মসিগী পোত্থোক মাঙহনবগী ফীভম লাক্লিবা অসি ৱিল্লোং খুল্লেনগা মায়কৈ মরিদা লোন্নরিবা অতোপ্পা খুলশিংদদি লানশিল্লকপা লৈত্রি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন অমসুং ইন্দিয়ন ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মফম ২দা দুকান ৫ মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকায় মৈরি লৈরক অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং খুনৌদা লৈবা গ্রোসরি দুকান য়াওনা পূন্না দুকান ৫ মৈ চাকখ্রে।

অহানবা মৈরি লৈরক্কী থৌদোক্তনা ঙাংবম জুলেট (৪৭) অপোকপা এন জি গোপিমোহোনগী দুকান অমা মৈনা চাকখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.২০ রোম তারকপদা মোইরাং খুনৌগী তেরা মখোঙদা লৈবা দুকান ৩ অমসুং গোদাউন অমা পূন্না মৈ চাক্তুনা মসিগী পোৎলম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। দুকানশিং অসিগী মনুংদা ভেরাইটি ষ্টোর, টেন্ট হাওস, মোটোর স্পিয়র পার্টসচিংবা দুকানশিংগা লোয়ননা গ্রোসরি দুকানশিংসু য়াওরি।

মৈ চাকখ্রবা দুকানশিং অসিগী মপুনা মোইরাংথেম দিলিপ কৌবা মোইরাং খুনৌ তেরা মখোঙদগী মীওই অমগীনি হায়রি।

অদুম ওইনমক তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং অসিগী হৌরকফম চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক অনীমক্তা মরী লৈনবা ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিংনা মৈ মুখৎপদা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং পুরদুনা লাক্লখ্রবসু নুমিদাং অমসুং অহিংগী মতম ওইবনা মৈ চাকপা হৌগৎলকপদা মতম চানা পাউ ফংবা ঙম্নহৌদবদগী হায়রিবা দুকানশিং অসিগী মনুংদা থম্বা পোৎলমশিং কনবা ঙমহৌদ্রে হায়রি।

পোজিটিভ ১৯৫ থেংনখি, ২ লৈখিদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমগী ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ১৯৫ (নুপা ৯৮, নুপী ৯৭) থেংনখিবগা লোয়ননা মতম অসিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২ লৈখিদ্রে হায়রি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমস-১৭, জেনিমস - ১৩ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ১৬৫ থেংনবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট ৪১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১০২, থৌবাল ১১, বিষ্ণুপুর ৪, ককচীং ১, উখ্রুল ৭, চুড়াচান্দপুর ৫, চান্দেল ৯, সেনাপতি ৩, তমেংলোং ৩, তেংনৌপল ২, নোনে ১, ফেরজোল ১ অমসুং কাংপোকপীদগী মীওই ৩নি হায়রি। অদুগা ঙসিগী ওইনা লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি হায়বগা লোয়ননা মখোয় অনীগী মনুংদা অমনা কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা মীওই অমনা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা মীওই ২৯৩ দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ১২৩, রিমসতগী ৮, জেনিমসতগী ১১, সী সী সীশিংদগী ১০৫ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী মীওই ৪০ য়াওরি হায়রি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

প্রোফেসর রাজমুহোন তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা খল্লকখ্রবা প্রোফেসর এন রাজমুহোনবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মেইন গেট মনাক্তা লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরিদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নেসনল রিছার্স সেন্তর মণিপুর অমদি ওজা সনাজাওবা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শীন্দুনা লাইব্রেরি অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী এদভাইজর ইতো তোংব্রম, নেসনল রিছার্স সেন্তরগী প্রসিদেন্ট ডা. নাওরেম জিবিদ মীতৈ অমদি ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা মরু ওইবা ৱাঙাঙলোয়গী ৱারোল পীরদুনা জি পি ৱ্যুমেন কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দব্লিউ রোমেসনা ফোঙদোকখিবদা প্রোফেসর রাজমুহোনবু দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা খল্লকখিবা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি য়াম্নমক লাইবক ফবনি।

কথোকপগা লোয়ননা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাক্লবা প্রোফেসর রাজমুহোনবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মিনিষ্টর ওইবা হৈতবা ইকায়নীংঙাইহনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক এ সীদা কোভিদকা মরী লৈননা মতেং পাংনবগীদমক 'তেংবাঙ' হায়না মীংথোনবা স্কিম অমা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবগী ওইনা এ সী অসিগী বেঙ্গি খুঙ্গংগী নুপী ৮৪দা লুপা লিশীং ৫/৫ য়েন্থোকখ্রে।

বেঙ্গি কম্যুনিতি হোলদা বেঙ্গি ৱিমেন্স য়ুনিট কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি ৩৩/১৭- বেঙ্গি য়ুনিট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হান্নগী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রঞ্জননা থৌরম মপু অমদি চরাংপাৎ জিলা পরিষদকী মেম্বর পি ঐচ হেরামনি অমসুং ৱাংখেম জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ সোভানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এক্স মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়, ঙসি বেঙ্গিদা লৈরিবা নুপীগী কম্মিটি অসিনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মীখলগী মতমদা হুন্নগুমসি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : মীখলগী মতমদা অমগা অমগা হুন্নবগী থবক তৌরোইসি হায়না হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এম এল এনা হৈরোক এ সীগী পোল্লিং-৩৩/৮ সিখোং অমসুং ৩৩/২০ থোকচোম খুলদগী হান্না কোংগ্রেস পার্টি অমসুং এন ঈ আই দি পিদা ভোট পীরম্বা মীওই ৬১না বি জে পিদা য়াওরকপদা হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

সিখোং অমসুং থোকচোমদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা এম এল এনা হায়, পোলিটিক্স হায়বসি মীয়ামগী থৌগল তৌবনি। মীয়ামগী অৱা অনা, লৈত-লায়র, লম্বী থোংগী অৱাৎপশিং অদু মেনখৎতুনা মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা অদু পোলিটিক্সনি। মীখলগী মতমদা মানা-মানা পামজবা মীওইদা ভোট পীবিয়ু। মীখলগীদমক অমগা অমগা হুন্নবা, খৎন-চৈনবা, মচিন মনাও য়েংথিনবা, চঙনদবা অসিনচিংবা নুংঙাইতবা থবকশিং অসি বি জে পিবু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

লৈরিবা লৈঙাকসিগী মহুত্তা অনৌবা লৈঙাক শোয়দনা লাক্লনি

এক্স-এম এল এ সুরচন্দ্রনা লুখ্রাবী ১২০ য়াওনা অহল ৪০০ রোমদগী য়াইফ থৌনি নিখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৈগদৌরিবা অসি থা খরখক্তমক ঙাইরবনি, অনৌবা লৈঙাক অমা মথং চহী ২০২০গী মার্চথাদা শোয়দনা লাক্লগনি। অনৌবা লৈঙাক অদুদা মপুং ওইনা থৌদাং লৌবা মীশক অমা ওইহনবীনবা অমদি ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামগী থবক নংননবা হোৎনজগে হায়না এ সী অসিগী হান্নগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ককচীং এ সীগী মনুংদা লৈবা পল্লেল মনিং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পল্লেলগী পোল্লিং ষ্টেসন অহুমদা লৈবা অহল ওইরবা-ওইরবী অমসুং লুখ্রাবীশিংদা এক্স এম এল এনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাকপু মায় পাকহনবীদুনা ককচীং এ সীগী এম এল এ অমুক ওইহনবীয়ু হায়না খুরুমজদুনা য়াইফ থৌনিবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

এক্স এম এল এনা মখা তানা হায়, হৌজিক অসি কনাগুম্বশিংনা ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মহাক করম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা লেপকদৌরিবনো হায়না হংনবসু য়াওরি। মহাক হৌজিক কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকপা লৈত্রি। সুপ্রিম কোর্টতা থেংনরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস অসি মহাক মশা কোংগ্রেসতা অদুমক লৈরি হায়রগা থেংনরিবনি। কেস ঙমদুনা অমুক হন্না এম এল এদা হঞ্জিল্লক্লবদি কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা অদুমক লৈগদৌরিবনি। ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক কোংগ্রেসতা লেপ্পা য়াই নৎত্রগসু অতোপ্পা পার্টি অমদা লেপ্পা য়াই। মহাক্না থবক অমা তৌবা মতমদা মীয়ামগা তাথোক তাশিন তৌনরগা ককচীং এ সীবু চাওখৎনবা থবক তৌজগনি। মহাক মশাগী অমসুং পার্টিদগীদি ককচীং এসেমব্লিগী মীয়ামগী থবকনা হান্না তৌগনি হায়খি।

মহাক মশাগী কান্নবা খরগীদমক ককচীং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা পল্লেল, সোরা নৎত্রগা ককচীং মাঙখিনবা থবক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

NATIONAL PEOPLE'S PARTY
14-YAISKUL ASSEMBLY CONSTITUENCY
HUIDROM VIKRAMJIT SINGH (H.V.S)
HL-C/188/11,12,13